# মৈ চাং নাইনা লাক্তবগী মতাংদা অসামগী মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্তুনা কমপ্লেন কয়া তৌরক্লি



দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন কোর্ট কমপ্লেক্স থৌবালদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি থৌবাল অমসুং থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট বার এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ ওইনা থবক্তগী পোত্থারবী অরিবম নৌতুনেশোরিবু অচম্বা খুদোল পীদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখিবা

গুৱাহাটি, মে ৩১ (এজেন্সী):

অসামগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদা চাং নাইনা মৈ লাক্তবগী মতাংদা মীয়াম্না পেন্দবা ফোঙদোক্ল রকপগা লোয়ননা মখল কয়াগী কল্লেনশিং তৌনরকখ্রে।

মীয়াম্না সোসল মীদিয়াগী খুত্থাংদা মৈ চাং নাইনা লাক্তবগী মতাংদা মখোয়গী কমপ্লেনশিং রেজিষ্টর তৌনরি। মৈ চাং নাইনা অমদি কুইনা লাক্তবনা মরম ওইরগা মশা মশাগী থবক শুবদসু চাওনা খুদোংচাদবশিং মায়োক্লহল্লে হায়না অসামগী মীয়াম্না ফোঙদোক্লরক্লি।

মীওই খরনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা অসামগী মফম খরদা নোংমদা পুং ৩ দগী ৪ ফাওবদং মৈ লাক্লি। অদুগা মফম খরদনা নোংমদা পুং ১ দগী হেন্না মৈ ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। হৌখিবা নুমিৎ ৩ নি রোম অসিদা চাং নাইনা মৈ লাক্তবনা মরম ওইরগা মহৈরোয়শিংদসু খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

ফোন অমদি লেপটোপ চার্জ তৌফম লৈতবনা মরম ওইরগা ওন লাইনদা শরুক য়ানবা একজামশিং শরুক য়াবা ঙমদবগী খুদোংচাদবশিং মায়োক্লরি। কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা ওফিস অমসুং মীয়াম তিনবা মফমদা থোক্তুনা থবক শুবা য়াদ্রবা মতম অসিদা য়ুমদা লৈদুনা কম্প্যুটর অমদি মোবাইলগী খুত্থাংদা থবক শুরিবশিংনসু চাওনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহল্লে। মীয়াম্না ৱাকৎ কয়া থাঙ্গৎলক্লবসু অসাম পৱার দিষ্ট্রিব্যুসন কোর্পোরেসন লিমিটেদকী মায়কৈদগী ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকপা লৈত্রি হায়রি।

# নৌনা রিক্রুট তৌবা কোভিদ-১৯ ডোক্তরশিং তলব পীদ্রে হায়বগী মতাংদা হেল্থ দিপার্টমেন্টনা শেংদোকখ্রে

কোহিমা, মে ৩১ (এজেন্সী):

নৌনা রিক্রুট তৌবা কোভিদ-১৯ গী ডোক্তরশিং থা কয়া তলব পীদনা লৈরি হায়বা মীদিয়া রিপোর্টশিংগী মতাংদা নাগালেন্দ হেল্থ দিপার্টমেন্টনা শেংদোকখ্রে।

মীদিয়া রিপোর্টশিং অদুগা মরী লৈননা নাগালেন্দ হেল্থ দিপার্টমেন্টনা থাদোরকপা শেংদোক ৱারোল অমনা হায়, দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা নীংথিনা থিজিল্লবা মতুংদা টেম্পররি ওইনা এঙ্গেজ তৌবা এম ও ৮৭ অমসুং জুনিয়র স্পেসিয়েলিষ্ট ১০ গী তলবশিং কুমজা ২০২১ গী মার্চ ফাওবগী থাদোকখ্রে হায়বসি খঙবা ঙমখি।


দিরেক্তোরেট ওফ হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফেয়রগী প্রিন্সিপল দিরেক্তর ডা. নৈখ্রিয়েলি খিমিয়াওনা শেংদোক ৱারোল অদুদা হায়, কুমজা ২০২১ গী এপ্রিল অমসুং মেগী সেলরি বিলশিং শেম শাবা লোয়রে অমসুং সেলরি বিলশিং অদু কুমজা ২০২১ গী জুনগী অহানবা চয়োলদা অতৈ ইমপ্লোয়ীশিংগীসু য়াওনা রিলিজ তৌরগনি।

নৌনা থবক চঙলকপশিংগী সেলরি বিলশিং জোইন্নিং/চার্জ রিপোর্ট সম্মিট তৌদ্রিফাওবদি শেম শাদে হায়না হেল্থ দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপল দিরেক্তরনা শেংদোরক্লি।

# গঞ্জা কেজি ৫৭০ ফারে

কোক্রাঝার, মে ৩১ (এজেন্সী):

অথিংবা থম্বা ময়াই কাবা পোৎশকশিং লল্লোনবগী থবক চত্থরিবা মীওইশিংগী মরক্তা অসাম পুলিসনা লেপ্তুনা চত্থরক্লিবা দ্রাইভকী মনুং চন্না ষ্টেট অসিগী কোক্রাঝারদা য়াম্লবা গঞ্জা ফাগৎপা ঙমখ্রে। কোক্রাঝার পুলিসনা শ্রীরামপুরদা রুতিন ওইনা গাড়ীশিং ফ্রিস্কিং তৌবদা লুপা ক্রোর ১ রোমগী ওইগদবা য়াম্লবা গঞ্জাশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।



## CROSSWORD-3796

**ACROSS**

1 Londoner (7)
5 Religious factions (5)
8 Hard stone (5)
9 Roman sea god (7)
10 Long-necked animal (7)
11 Cook in an oven (5)
12 Mediterranean island (6)
14 Convent head (6)
18 Additional payment (5)
20 Everywhere (3,4)
22 Embellished (7)
23 She-fox (5)
24 Eagle's nest (5)
25 Tosh (7)

**DOWN**

1 Modifications (7)
2 Professorship (5)
3 Necessary (7)
4 Over there (6)
5 Excellent (5)
6 Bravery (7)
7 Bed covering (5)
13 Frankness (7)
15 South American country (7)
16 Odd, unusual (7)
17 Brigand (6)
18 Burn fiercely (5)
19 Gumption (5)
21 Annoyed (5)

**Solution 3795**

| | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| A | C | T | I | N | G | | B | E | G | G | E | D |
| B | | A | | E | | | | X | | H | | R |
| R | O | V | E | R | | P | A | P | O | O | S | E |
| U | | E | | V | | O | | L | | S | | A |
| P | E | R | F | E | C | T | | O | U | T | E | R |
| T | | N | | | | P | | I | | | | Y |
| | | S | U | P | P | O | R | T | E | R | | |
| B | | | | A | | U | | | | E | | O |
| O | A | S | I | S | | R | E | C | O | V | E | R |
| A | | T | | S | | R | | O | | E | | I |
| S | W | A | H | I | L | I | | V | E | R | G | E |
| T | | L | | O | | | | E | | I | | N |
| S | I | L | E | N | T | | I | N | V | E | R | T |

**SOLUTION ON NEXT ISSUE**

# ত্রিপুরানা ক্বিন পাইনেপল কেজি ৭০০ দেল্লী, টেলঙ্গনাদা থাখ্রে




অগরটালা, মে ৩১ (এজেন্সী):

ত্রিপুরাদা ওর্গনিক ফার্মিং তৌদুনা পুথোকপা ক্বিন হায়না খঙনবা কিহোম ভেরাইটি অসি ষ্টেট অসিদা মরাং কায়না পুথোকপা ঙমদুনা কুমসিসু কিহোম কেজি ৭০০ লোম দেল্লী অমসুং টেলঙ্গনাদা থাখ্রে।

ক্বিন ভেরাইটি হায়রিবা ওর্গনিক কিহোম অসি ত্রিপুরাগী লৌমীশিংদা ওর্গনিক মিসনগী মখাদা পাক শন্না ফার্মিং তৌদুনা মরাং কায়না পুথোক্তুনা মপানগী মার্কেটশিংদা চাং নাইনা এক্সপোর্ট তৌদুনা লাক্লি। লৌমীশিংনা কিহোম মখল অসি পাক শন্না থাদুনা কোভিদ-১৯ গী লায়চৎনা মরম ওইদুনা শেল থুমগী অৱাবা লৈনরবা মতম অসিদা মখোয়গী ইনকম লেপ্তুনা লাকহনবা ঙল্লি।

নিরমহল ওর্গনিক ফার্মস প্রদ্যুসর কম্পনিগী ওর্গনিক কিহোমশিং মার্কেটিং তৌনবগীদমক বেঙ্গালোরদা লৈবা কম্পেনি ইন্তর্নেল কম্পিটেন্সি সেন্তর ফোর ওর্গনিক এগ্রিকলচর (আই সী সী ও এ) গা ত্রিপুরা গভর্ণমেন্টকা এগ্রিমেন্ট অমা খূৎয়েক পীন্নখ্রবনি।

মোহনভোক এগ্রিকলচর সব দিভিজনগী এগ্রিকলচর ওফিসর ডা. ভিকাস কান্তি দে অমসুং আই সী সী ও এগী ওফিসর বিস্বরনাথ চক্রবরটি ওর্গনিক ক্বিন ভেরাইটি কিহোম মখল অসি চাং নাইনা মপানদা য়োন্দুনা লাক্লি। টেলঙ্গনাগী হায়দরাবাদ লৈবা এ আর ৪ এগ্রো ইন্তরনেস্নেল অমসুং দেল্লীগী কে সী এস ক্বালিটি ইন্সপেক্সন প্রাইভেট লিমিটেদ হায়রিবা কম্পনি অনী অসিনা ওর্গনিক কিহোমশিং অসিবু ইন্দিগো এয়র লাইনসকী মতেংগা লোয়ননা ত্রিপুরাদগী পুরিবনি।

লৌমীশিংনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী মতম অসিদা ময়ুমদা লৈনা লৈনা মমল কানা মখোয়গী কিহোমশিং য়োঞ্জবা ঙল্লি। ত্রিপুরানা ফ্লাইটশিংগী খুত্থাংদা ষ্টেট অসিদগী কিহোমশিং চাং নাইনা মপান্দা থাদুনা লাক্লি। কিষান উরান অসি হৌখিবা বজেটতা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা এরেঞ্জ তৌখিবনি।

ষ্টেট কেপিটেল অগরটালাদা হৌখিবা সার্ভিস অসিগী কান্নবশিং ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংনা ফংলিবনি। ওর্গনিক মিসনগী মখাদা চহী অসিদা ত্রিপুরাদা কিহোম মরাং কায়না লোকপা ঙল্লি। ওর্গনিক কিহোম অসি মমল খরা ৱাংজরবসু মার্কেটতা দিমান্দসু ৱাংলি।

# নাগালেন্দ গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ গী মতাংদা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং মপুং ফানা পায়খৎত্রে: এন পি এফ

দিমাপুর, মে ৩১ (এজেন্সী):

নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ লেপ্পা লৈতনা শন্দোরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা নাগালেন্দ লৈঙাক্লা পায়খৎফম থোকপা থবক থৌওংশিং মপুং ফানা পায়খৎত্রে হায়না ওপোজিসনদা লৈরিবা নাগা পিপলস ফ্রন্টনা মরাল শীরকখিবগা লোয়ননা লৈঙাক্লা চেকশিন্দবদগী কোভিদ-১৯ শন্দোরকপগী চাং হেনগৎলকপনি হায়না মরাল শীরক্লি।



পার্টি অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা নাগালেন্দদা লৈরিবা পিপলস দিমোক্রেটিক এলায়েন্স গভর্ণমেন্টনা কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কী সেচুয়েসন মপুং ফানা হেন্দল তৌবা ঙমদ্রে। এলায়েন্স গভর্ণমেন্ট অসিনা পেন্দমিক অসিবু মায়োক য়ানবগীদমক মচিন্দা শেম শাদুনা লৈ হায়না লাউরবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমদ্রে।

নাগালেন্দদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্টশিং মপুং ফানা ট্রিটমেন্ট চত্থনবগী মথৌ তাবশিং মপুং ফানা লৈরি। অদুবু লৈঙাক্লা থৌশিল শোয়বনা মরম ওইরগা মরু ওইনা কোহিমা অমসুং দিমাপুরদা লৈরিবা সিভিল হোস্পিটালশিংদা কোভিদ-১৯ পেসেন্ট এদমিট তৌবদগী হৌরগা ট্রিটমেন্ট চত্থবগী থবক থৌরমশিংদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহল্লে।

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাক অসিনা কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্ট চত্থনবগীদমক তোঙান তোঙানবা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংগী ওইবা লিষ্ট অমা থোকখ্রে। অদুমওইনমক লিষ্ট অদুদা য়াওরিবা হোস্পিটালশিং অদুদা করম্বা মখলগী অৱাৎ অপা লৈরিবগে হায়বগী মতাংদদি মরী লৈনবশিংনা হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনবা লৈত্রি।

এন পি এফনা হৌজিক লৈরিবা এলায়েন্স গভর্ণমেন্ট অসিদা খুদক্কী ওইনা মথৌ তাবা মচাক খুদিংমক গভর্ণমেন্ট হোস্পিটালশিংদা প্রোভাইদ তৌনবা কয়ারক হন্না তকশিনখিবা লৈখ্রে। গভর্ণমেন্টনা চলাইবা দিষ্ট্রিক্ট দিষ্ট্রিক্টশিংদা লৈরিবা হোস্পিটালশিংদা থেংথবা তৌদনা কোভিদ-১৯ ট্রিটমেন্ট চত্থহনবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। মসিগীদমক মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা মথৌ তাবা মচাকশিং হোস্পিটালনা পীবা অমদি হকথেংননা চত্তুনা য়েংশিনবা মথৌ তাই হায়রি।

অমরোমদা হৌখিবা পুং ২৪ দা নাগালেন্দদা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা কেস ১১৭ থেংনখিবগা লোয়ননা হায়রিবা মতম অসিদা লায়না লাইচৎ অসিনা মরম ওইরগা মীওই ১২ শিহনখ্রে হায়না হেল্থ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যর মিনিষ্টর এস পাংয়ু ফোমনা ফোঙদোরক্লি। ঙসি নৌনা থেংনখিবা অনৌবা কেস মশীং অসি থারগা নাগালেন্দদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা এক্তিভ কেস ৪,৯৩৪ শুখ্রে। অদুগা শিবগী মশীংনা ৩৬৩ য়ৌখ্রে। নৌনা থেংনখিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কোহিমদগী ৪৭, দিমাপুরদগী ৩৩ অমদি মকোকচুংদগী ৯ য়াওরি।

## HUEIYEN SUDOKU

**Hueiyen Sudoku-3595**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 6 | 5 | 7 | 4 |
| | | 6 | | | | | | 2 |
| 4 | 7 | | | 9 | | 1 | | |
| 7 | | | | 6 | | | 1 | |
| | | | 8 | | 5 | | | |
| | 2 | | | 7 | | | | 6 |
| | | 7 | | 8 | | | 2 | 9 |
| 9 | | | | | | 4 | | |
| 2 | 3 | 1 | 9 | | | | | |

**Solution-3594**

Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9
Every row must contain the numbers from 1 through 9
Every column must contain the numbers from 1 through 9
Every 3x3 square must contain the numbers

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 7 | 8 | 2 | 1 | 9 | 5 | 6 | 4 | 3 |
| 1 | 5 | 3 | 4 | 6 | 8 | 7 | 9 | 2 |
| 6 | 4 | 9 | 2 | 3 | 7 | 5 | 1 | 8 |
| 2 | 6 | 8 | 9 | 1 | 4 | 3 | 7 | 5 |
| 9 | 7 | 4 | 8 | 5 | 3 | 1 | 2 | 6 |
| 3 | 1 | 5 | 6 | 7 | 2 | 9 | 8 | 4 |
| 4 | 3 | 1 | 7 | 8 | 6 | 2 | 5 | 9 |
| 5 | 2 | 7 | 3 | 4 | 9 | 8 | 6 | 1 |
| 8 | 9 | 6 | 5 | 2 | 1 | 4 | 3 | 7 |

## EMPLOYMENT NEWS

AIIMS Bhubaneswar invites online applications for recruitment post of Senior Residents (Non Academic) under Government of India, Residency Scheme, 1992 for a Tenure Period of maximum 03 years. The online registration process will be start from 18th May 2021 to 7th June 2021.
ROLLING ADVERTISEMENT FOR SENIOR RESIDENTS (NON ACADEMIC)
Name of the Post
No of Vacancies
Senior Residents (Non Academic)
90
Department wise Vacancies: Anaesthesiology, Biochemistry, Burns and Plastic Surgery, Cardiothoracic Surgery, CM & FM, Dermatology, Endocrinology, RNT, FMT, General Mendicine, General Surgery, Medical Oncology / Haematology, Microbiology, Nephrology, Nuclear Medicine, Obst. & Gynaecology, Ophthalmology, Orthopaedics, Paediatric Surgery, Paediatrics & Neonatology, Pathology, Pharmacology, Physiology, PMR, Radio Diagnosis, Transfusion Med, Urology, Hospital Administration.
Upper Age Limit:
45 years as on the last date of submission of application.
Age Relaxation: 05 years for SC / ST and 03 years for OBC and Plus 10 years for PWD.
Pay Scale: ? 67,700/- as per 7th CPC, Level - 11 of the Pay Matrix + NPA plus other usual allowances as admissible under rules.
Educational Qualification: A Post Graduate Medical Degree viz. MD / MS / MDS / DM / M.Ch / DNB in their respective disciplines recognized by MCI / Institute of National Importance.
Application Fee:
1500/- for General / OBC category candidates.
1200/- for SC / ST / EWS category candidates.
No fee for PWBD category candidates.
The fee payment to be made to AIIMS Bhubaneswar while filling up the online application.
How to Apply: Eligible Interested candidates are advised to apply online through AIIMS Bhubaneswar online portal from 18th May 2021. The last date for registration of online application is 07/06/2021 up to 5:00 PM.

AIIMS Gorakhpur Recruitment 2021 of Faculty Posts: All India Institute of Medical Sciences (AAIMS) Gorakhpur (Uttar Pradesh) invites online applications from Indian citizens/ persons registered as Overseas Citizen of India (OCI) card holder for faculty posts of Professor, Additional Professor, Associate Professor and Assistant Professor positions on direct recruitment basis in various departments.
Name of Post
Total Vacancies
Professor
30
Additional Professor
22
Associate Professor
29
Assistant Professor
46
Vacancy Departments: Anaesthesiology, Anatomy, Biochemistry, Community Medicine and Family Medicine. Dermatology, Dentistry, ENT, Forensic Medicine and Toxicology, General Medicine. General Surgery, Hospital Administration, Microbiology, Nuclear Medicine, Obst & Gynae., Ophthalmology, Orthopedics, Paediatrics, Pathology / Lab Med, Pharmacology, Physical Medical and Rehabilitation, Physiology, Psychiatry, Pulmonary Medicine, Radio Diagnosis, Radiotherapy, Trauma & Emergency, Transfusion Med. & Blood Bank etc.
Age Limit:
Professor: 58 years
Additional Professor: 58 years
Associate Professor: 50 years
Assistant Professor: 50 years
Age Relaxation - 05 years for SC / ST, 03 years for OBC, 10 years for PwBD (OPH-OL).
Pay Scales:
Professor: Level 14-A ? 37,400 - 67,000 + AGP ? 10,500/- (6th CPC)
Additional Professor: Level 13-A2 ? 37,400 - 67,000 + AGP ? 9,500/- (6th CPC)
Associate Professor: Level 13-A1 ? 37,400 - 67,000 + AGP ? 9,000/- (6th CPC)
Assistant Professor: Level 12 ? 15,600 - 39,100 + AGP ? 8,000/- (6th CPC)
Educational Qualifications:
For Medical: A Post Graduate qualification e.g. MD / MS and / or M.Ch. and D.M. in concerned specialty.
For Non Medical: Post graduate qualification e.g. Master Degree in the discipline / allied subject. A Doctorate degree in concerned discipline.
Experience:
Professor: 14 years teaching and / or research experience.
Additional Professor: 10 years teaching and / or research experience.
Associate Professor: 04 years teaching and / or research experience.
Assistant Professor: 03 years teaching and / or research experience.
Selection Process: Interview.
Application Fee:
Rs 3000/- for General / OBC / EWS candidates.
Rs 200/- for SC / ST / Women's / PwBD candidates.
The fee can be made through online mode only via payment gateway.
How to Apply: Eligible Interested candidates can submit their application only through online mode. The hard copy of online application along with relevant documents addressed to "Recruitment Cell (Academic Block), AIIM Gorakhpur, Kunraghat, Gorakhpur, Uttar Pradesh - 273008".
Last date of online application - 30 days from the date of advertisement published in Employment News paper dated 8th May 2021 Issue (i.e. Last date will 08/06/2021).

CSIR IMMT Recruitment 2021: CSIR - IMMT Bhubaneswar invites online applications from bonafide Indian Citizens for recruitment of Junior Secretariat Assistant and Junior Stenographer positions. The online registration process will be start from 20th May 2021 to 21st June 2021.
Advertisement No. 02/2021
Name of the Post
Total Vacancies
Junior Secretariat Assistant (G)
07
Junior Secretariat Assistant (F&A)
02
Junior Secretariat Assistant (S&P)
03
Junior Stenographer
02
Age Limit:
Junior Secretariat Assistant: 28 years
Junior Stenographer: 27 years
Pay Scales:
Junior Secretariat Assistant: Pay Level 2 ? 19900 - 63200/-
Junior Stenographer: Pay Level 4 ? 25500 - 81100/-
Educational Qualifications:
10+2 / XII / Matriculation with 12th class Pass or its equivalent.
Proficiency in Computer typing speed (English - 35 w.p.m.)
How to Apply: Eligible Interested candidates are required to apply online through CSIR IMMT official website from 20th May 2021. The last date for registration of online applications is 21/06/2021 till 5:00 PM.

